## ‘ওক্টোবর ২৯ অসি হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমীৎনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): ওক্টোবর ২৯ অসি হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমীৎনি হায়না অকোম লূপ কংলৈপাক্কী এসিষ্টেন্ট আই পি আর সেক্রেটরি টি ঐচ বালেশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নিংঙোল চাক্কৌবা থৌরম চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা ওক্টোবর ২৯ দা থোক্লে। অকোম লূপ কংলৈপাক্লা অখঙ-অহৈশিং তান্নরুরবা মতুংদা হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমীৎ অসি ওক্টোবর ২৯ গী অয়ুক পুং ৯ গা মিনট ১৩ গী মতুংদগী হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা চঙদুনা নিংঙোল চাক্কৌবা নুমীৎ থোক্লে। কংলৈপাক লমদমদা লৈরিবা মবুং-মৌপ্বাশিংনা ওক্টোবর ২৯দা ইচে-ইচলশিংবু নিংঙোল চাক্কৌদুনা য়াইফ-থৌজাল পীবীয়ু। মথং চহীদগী চয়েৎনবা থোক্তনবা কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দনা পুথোকপা অচুম্বা কেলেন্দরদা অমদি কোলকাটাদা লৈবা পোজিসনল সেন্টরদগী কেলেন্দর দেটা লৌনবা কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দকী দেটা লন্নাই মীওই, ফার্ম, ইনষ্টিট্যুট অমদি ওর্গনাইজেসনশিংনা লৌবা চুমগনি। থা অসিগী ২৯দা নিংঙোল চাক্কৌবা অসি মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবা ঙাগী মেলাসু ওক্টোবর ২৮ দা পাঙথোকপীয়ু। নিংঙোল চাক্কৌবা নুমীৎ অসিনা লাকপদা হরাও তয়াম্বগা লোয়ননা কংলৈপাক্তা লৈরিবা ইচে-ইচলশিংগী মফমদা য়াইফ-থৌজাল পীরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## নাগাগী ৱারোইশিনদা মণিপুরগী লম শোকপা য়ারোই : আর এস এফ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): নাগাগী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী লম উফুল মরিক অমগী চাং শোকপা য়ারোই হায়না রিফোর্মিষ্ট ষ্টুদেন্টস ফ্রন্ট (আর এস এফ) কী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, পিছ টোক্লা মণিপুরদা নত্তনা য়ুমথংনবা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা লাংতক্লবা পোকহনবা অসি লাইবক থীবনি। পুকচেল শেংবা লৈঙাক্কী ৱাখল্লোন ইন্দিয়া লৈঙাক্লা চেল্লন্নবদি ঙসিগী মীরোলনা ৱারিবা, চিংনরিবা কোকহল্লমগনি খল্লি। পুৱারীগী তাঙ্কক কয়া নৈনরুবদা পুকচেল শেংবা ইন্দিয়াগী ৱাখল্লোন শুংলৈ লৈতে হায়না লৌই। মণিপুরবু ইন্দিয়ানা লৌশিনখিবা মতমদা বোধচন্দ্রবু শিল্লোংদা কৌরগা সাইন তৌহনখি। কুমজা ১৯৫০ দা মণিপুরদা মপান লমগী মী চঙলকপদা য়েংশিন্নবা কাঙলোন, পার্মিট সিষ্টেম নমদুনা লৌথোকপীখি। মসিনা মরম ওইরগা ঙসি মণিপুরদা মীতোপ মীয়ানচাশিং চঙবগী মঙলান ওইহনখি। মণিপুরগী লম কবো ভেলিবু ম্যান্মারদা পীথোকখি। কবো ভেলি অসি ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংগী ঈ কৎলগা খুৎশিন্নরম্বা কবো ভেলিনি।

ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা ঙস্লে হায়বগী মতাগুম ম্যান্মারদা পীথোকখি। নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটকী মীয়ামদা ফুম্বংনবা অমা ওইহল্লে। মীয়াম্না তৌরকপা থবক খুদিংমক আর এস এফনা মাঙজিল থানা লেপকনি। কোকোমিনা তৌরকপা থবক খুদিংমক্তসু সপোর্ট তৌবগা লোয়ননা শরুক য়াগনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী পুকচেল শেংদবা কয়া ময়েক শেংনা তাক্লি। পিছ টোক্কী মতমদসু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌওংশিং অসিনা মণিপুর মীয়াম অমদি য়ুমথংনবা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মীয়ামদা চিংনবা ওইহল্লে। ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না ইন্দিয়াগী থৌওংশিং অসিবু থাজবগী মহুৎতা পুন্না থেংনবা মথৌ তাই হায়রি।

## আমাৱোভাগী ৩০ রকশুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে
## এন এস সী এন-আই এম থেম্নবা মণিপুর থুগায়বা য়ারোই : দেবান

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ৱিমেন ভলন্টরি এসোসিএসন (আমাৱোভা) গী ৩০ রকশুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি জি এম হোল ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে। লিক্লাং পরেং অমদি সিনাইফম কারন্বী হায়না মিংথোনবা ম্যুজিক ভিদিওসু রিলিজ তৌখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা অমুকোগী এদভাইজর পি ঐচ দেবাননা হায়খি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা পিছ টোক চথরিবা অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লগনি হায়বা ৱাফম অমা লাক্লি। মসিদা এন এস সী এন-আই এম থেম্নবা হোৎনবদা মণিপুরগী শক্তম শোকপা য়াবা ৱাফম য়াওবা য়ারোই। পীকখ্রবা মণিপুর ষ্টেট অসিদা খাইদোক-খাইজিন চথরক্লবদি করি ওইগনি হায়বসি খঙমিন্নবা তাই। মণিপুর হায়বসি অপূনবা শরুক্কী চাদা ৮ লোমখক তম্পাক ওইনা লৈবনি। অয়াম্বা শরুক্তি চীংগী লম ওইনা লৈবনি। চীংগী লম খাইদোকপগী ৱাফম লাক্লবদি ষ্টেট অসিদা ওইগদৌরিবা ফীভম অসি করিনো হায়বদু খন্নমিন্নবা চঙই। হিরম অমত্তদা মণিপুরগী টেরিটোরিয়ল ইন্টিগ্রিটি অমদি অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা জি পি ৱিমেন্স কোলেজগী দিপার্টমেন্ট ওফ হিষ্ট্রিগী এসোসিয়ট প্রোফেসর নলিনি নোংমৈকাপ্পমনা হায়খি, মণিপুরদা জেন্দর ইক্কেলিটিগী মতাংদা নুপীশিংনা হোৎনদুনা লাক্লি। নুপা-নুপী থোং মান্নগদবনি হায়বা মায়কৈদা নুপী ওইবীশিংনা য়াম্না হোৎনরক্লিবনি। মসিদা নুপা ওইবশিংনসু নীংথিনা থৌদাং লৌরক্লবদি মায় পাক্কনি। খুন্নাই অমা চাউখৎপা পুরকপদা নুপা-নুপী অনীমক্কী থৌদাং য়াম্না চাউই। লমদমসিগী নুপী ওইবীশিংনা হিরম কয়াদা অচৌবা থৌদাংশিংসু লৌদুনসু লাক্লিবনি। ইমুং-মনুংগী থবক থৌরম কয়া পুবতা নত্তনা খুন্নাইগী ওইবা ইস্যু কয়াদসু নুপী ওইবীশিংনা মাঙজিল থানা থোক্তুনা হোৎনরিবনি। অসিগুম্বা কয়া অসি ঐখোয়না খঙমিন্নবা চঙই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা আমাৱোভাগী জেনরেল সেক্রেটরি কে এস ঐচ সুজাতানা হায়খি, কুমজা ১৯৮৯ গী ওক্টোবর ২৪ দা ওল মণিপুর ৱিমেন ভলন্টরি এসোসিএসন (আমাৱোভা) লিংখৎখি। মীওৎ-মীনৈ, অৱা-অনাতনা থল্লবা ঙসিগী খুন্নাই অসিবু মীওৎ-মীনৈ লৈতবা, তংদু-লৈতাবা, চাউখৎপা, মীনা-মীবু ওৎতবা মান্নবা খুন্নাই অমা লিংনবা ইরমদম মণিপুরগী মীয়াম্না লিশাং শিংনা চঙশিল্লক্লিবা অচুম্বা ঈহৌদা খুন্নাই অসিগী নুপী ওইবী কয়াসু য়াওশিল্লক্লবা অমদি হেন্না থৌনা লিংজেল লৈনা চঙশিন্নবা হোৎনবা অসিনা আমাৱোভাগী তঙাইফদবা থৌদাং ওইদুনা লাক্লি।

মণিপুরগী নুপীশিংদি ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোনদা, খুন্নাইলোন্দা পোলিটিকেল মুভমেন্ট কয়াদসু অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। লৈমা লিন্থোইঙম্বী মতমদগী হৌরগা চহী তরেৎ খুন্তাকপা মতমদা কুমজা ১৯০৪ অমদি ১৯৩৯ দা থোকখিবা নুপীলালদা মণিপুরী নুপীশিংনা লৌখিবা থৌদাং পুৱারীগী লমায়দা ময়েক লানা ইদুনা লৈরি। মতমদুগী নুপীশিংনা লৌখিবা থৌদাং অমদি কৎথোকপা অদুনা ঙসিগী মীরোলদা থৌনা হাপ্লি, লমজিং মৈরা ওইরি। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পুনখ্রবা মতুংদসু মণিপুরী নুপীশিংনা লৌখিবা থৌদাং শম্না হায়রবদা খুন্নাই অসিগী নুপা ওইবশিং ময়াই কাবা চীঞাক্কী ঈপাক্তা ঈরাক্লদুনা, খুন্নাই অসি ময়াই কাবা চীঞাক্তা লাইচুরবা খুন্নাই অমা ওইনা মুৎখিবা য়াবগী তানফম লাক্লবদা মণিপুরগী নুপীশিংনা থৌনা ফনা চোংথোক্তুনা ময়াই কাবা চীঞাক্কী ঈপাক্তগী খুন্নাই অসি কন্দুনা পুরকখিবনি।

লমদম অসিদা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱারস এক্ট লাকখিবদগী চনুরা কয়াগী ঈকায় খুম্নবা তেমশিংনরকপা, ঈজৎ মাঙহনবীবা, নুপা ওইবা কয়াবু ফারগা হাৎতোকপীবা, অশিবা মশা থিবা খঙহন্দবা অমদি খুন্নাইসিগী মীয়ামগী মথক্তগা মখল-মখা কয়াগী মীওৎ-মীনৈশিং চথদুনা ইরমদম অসি খুন্তাক লানশিবা লৈবাক অমগী ফীভমদা লাক্লবদা মণিপুরগী নুপীশিংনা খুৎতা মৈরা পায়দুনা মীয়ামগী মথক্তা চথরকপা মীওৎ-মীনৈ অদু থেংনদুনা লাক্লি। মীয়ামগী পুন্সি, নুপী ওইবীশিংগী ঈজৎ কন্ননবা, তংদু-লৈতাবা খুন্নাই অমা ওইনা মালেমগী চাউখৎ লমজেলদা ইরমদম অসিসু মপুং ফানা শরুক য়াবা ঙম্নবা মণিপুরগী নুপীশিংনা হৌরকখিবা ঈহৌ অদু ঙসি ফাওবা মৈরা পায়বী ঈহৌ হায়না চথরি। মণিপুরী নুপীশিং কৈথেলদা লল্লোন-ইতিক, ফিশা-লোনশা তৌদুনা খুন্নাইসিগী শেন্মীৎলোন্দা অচৌবা থৌদাংসু লৌরি।

মীওৎ-মীনৈগী চৈথেংলক্তা ঐখোয়গী খুন্নাইসিগী মীয়াম্না হিংলিবা পুন্সি খুৎহিং, লেল্লিবা পুন্সি মরেল, ঐখোয়গী নুপীশিংগী মোরেল মাঙথরক্লিবা, কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা শীংচেপ থারকপা, ঙমখৈগী মতাং, সিটিজন এমেন্দমেন্ট বিলগী মতাংদা চঙশিল্লকপা খোঙজং কয়ামরুম, ময়াই কাবা চীঞাক্লা খুন্নাইসিদা মাঙহল্লক্লিবা অসিগুম্বা তাঙ্কক কয়াদা অমৱোভানা মণিপুর মীয়ামগা খুৎশম্নদুনা ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা থেংনদুনা লাক্লি। হন্দক্তসু ষ্টেন্দর্দ রোবার্থ হায়র সেকেন্দরি স্কুল, কাঞ্চিপুরগী বোর্দিংদা লৈরগা লাইরিক তমজবী নুপীমচা অমা মীশি চাদনা লৈরম্বগী ৱাথোক ফোং-ফোং শারি। ফরগদ্রা খল্লুবা থৌদোকশিং থোকচিল্লকপশিং অসিদগী হেন্না কনবা কেম্প্যেন অমা চঙশিন্দবা য়াদবগী ফীভম অমা লাক্লি। মরম অসিনা আমাৱোভানা হান্নদগী হৌনা চথদুনা লাক্লিবা নুপী অমদি অঙাংশিংদা চথরিবা মীওৎ-মীনৈ থিংনবা কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা বোর্দিং, হোষ্টেলশিংদা লৈরিবা নুপীমচাশিংনা খুয়া তুশিৎনা লাইরিক তমজবা ঙম্নবা বোর্দিং, হোষ্টেলশিংদা য়েংশিন খোঙচৎ চথখি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা আমাৱোভাগী প্রসিদেন্ট ৱাই কুঞ্জরানিনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ইমা এল মেমচৌবীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা লিক্লাং পরেং অমদি শিন্নাইফম কারন্বী হায়না মিংথোনবা ম্যুজিক ভিদিও রিলিজ তৌখি।

## মীয়ামগী অপূনবা পাঙ্গলনা থেংনবা তাই : সোটিনকুমার

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): ইন্টিগ্রিটি শোকপা য়াবা ৱাফম হাপ্পা য়ারোই হায়বসি থেংমল্লি, মীয়াম হৌবা নত্তনা অতোপ্পা লম্বী লৈতে। মীয়ামগী অপূনবা পাঙ্গলনা থেংনবা তাই হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাবত ভবনদা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল সী পি আইনা শীন্দুনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমদি সী এ বিগী মায়োক্তা চথখিবা ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়ারদুনা এল সোটিনকুমারনা হায়খি, ওক্টোবর ৩১ ফাওবগী মনুংদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱারোইশিন লাক্কনি হায়রিবা অসিদা ঐখোয়গী ইন্টিগ্রিটিদা অচৌবা চেলেঞ্জ অমা লাক্কদ্রা হায়বা চিংনবদগী ঈহৌ চঙশিন্নবা লেপ্পবনি। হৌজিক লৈরিবা ইস্যু অসি নাকল-নাকলদা পুথোক্লরিবা ৱারোল কয়া লাক্লি। তোঙানবা ফ্লেগ, তোঙানবা কনষ্টিট্যুসনগী ৱাফম ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা য়াবা ঙস্লোই। অতৈ ৱাফম কয়া অমা লাক্কদৌরি। এসেম্বলী সিট ৬০ গী মথক্তা ১০ হাপকৎপগী ৱা অমদি লোক সভাগী সিট মশিং হেনগৎপা, অপ্পর হাউস থম্বা, ফাইনান্সিয়ল পেকেজগী ৱা কয়া লাকপা য়াই।

হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা পোলিটিকেল পার্টি মীফম কৌফম থোকই হায়না সী পি আইনা তকশিল্লি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মতাংদা লৌরিবা ৱারেপ, চঙশিনগদবা মতম থেংমল্লি হায়না খল্লি। এসেম্বলী মীফমসু কৌফম থোকই হায়না পোলিটিকেল পার্টিগী মীটিংদা তকশিল্লি। অদুবু লৈঙাক্লা কয়া থৌওইবা উদে। ইন্টিগ্রিটি কায়বা য়ারোই, দিল্লিদা চৎলগা পোলিটিকেল লিদরশিংদা প্রেসর পীরুগদৌরি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট সাইন তৌবদা করি করি হাপ্পগে হায়বসি মরুওইবা ৱাফমনি। পোলিটিকেল পার্টিশিং অমদি সী পি আইগী মায়কৈদগীসু চঙশিনবা য়াবা চঙশিল্লক্কনি। ওক্টোবর ২৭ তা লম্লাই ব্লোক সী পি আইনা মোটোর বাইক রেল্লি অমা চৎকনি। ফ্রন্টশিংনসু খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম-শারে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা সী পি আইগী নেসনল এগজিক্যুটিভ কম্মিটি মেম্বর ডা. এম নরা, সেক্রেটরিয়ট মেম্বর আর কে অমুসনা, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি কে ঐচ সুরচান্দ, সেক্রেটরিয়ট মেম্বর সোরোজিনি, ওল মণিপুর নুপী মরুপকী প্রসিদেন্ট এম শখি অমদি সী পি আইগী সেক্রেটরিয়ট মেম্বর লালাসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা সী পি আইগী মরুওইবা লুচিংবশিং অমদি থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

## পিছ টোক্কী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী টেরিটোরিয়ল ইন্টিগ্রিটি, এদমিনিষ্ট্রেসন কায়বা য়ারোই : এন ঈ আই দি পি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী টেরিটোরিয়ল (বাউন্দরি) অমদি হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক পথাপ, এদমিনিষ্ট্রেসন কায়বা য়ারোই হায়না নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ডা. এন জি বিজয়না পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

তেরাদা লৈবা এন ঈ আই দি পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা ডা. এন জি বিজয়না হায়খি, নাগাশিংগী মতম কুইনা লৈরক্লবা ইস্যুশিং অসি লোইশিন্নবা হোৎনরিবা খোঙথাং তরাম্না ওকই। অদুবু মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা টেরিটোরিয়ল (বাউন্দরি) অমদি মণিপুরগী লৈঙাক পথাপ, এদমিনিষ্ট্রেসনদি কায়বা য়ারোই। সোল্যুসন পুরক্লবা হোৎনবদা ৱাখৈনদ্রিঙৈগী মমাঙদা ষ্টেক হোল্ডর অমা ওইরিবা মণিপুর মীয়ামগী অপান্বশিং হান্না তাগদবনি। মণিপুর মীয়ামগী অপান্বসি এন ঈ আই দি পিগীসু অপান্বনি। মতম পুন্নমক্তা এন ঈ আই দি পিনা মণিপুর মীয়ামগা লোইনদুনা চৎকনি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা পিছ টোক চথরিবা অসিগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা মণিপুর লৈঙাক অমদি ষ্টেক হোল্ডরশিং তান্নরমগনি হায়বা ৱাফম অসি সেন্টরগী লুচিংবশিংনা হান্নবা ফোঙদোক্তুনা লাকখ্রবা ৱাফমনি। হৌজিক ৱারোইশিন পুরক্লবগী মতম নকশিল্লক্লে হায়না আর এন রবিনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মতাংদা ষ্টেক হোল্ডরশিং তান্নবগী ৱাফম লৈত্রি। থা অসিগী ৩১ দা ৱারোইশিন পুরক্কনি হায়না লাউথোকখ্রে। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা করি য়াওরি হায়বদুসু খঙহন্দনা লাকখিবনি। ষ্টেক হোল্ডরশিং তান্নদনা ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা শরুক য়ারদুনা এন ঈ আই দি পি মণিপুর ষ্টেটকী ভাইস প্রসিদেন্ট আর কে আনন্দনা হায়খি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা পিছ টোক চথরিবা অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা মণিপুরগী টেরিটোরিয়ল ইন্টিগ্রিটি, এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি লমদমসিগী শক্তমদা শোক্কদবা হিরম অমত্তা য়াওবা য়ারোই। ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মণিপুর লৈঙাক অমদি ষ্টেক হোল্ডরশিং তান্নগনি হায়রম্বদু হৌজিক ফাওবা তান্নদনা লৈরি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা করি য়াওরিবগে হায়বদু খঙহন্দবনা মীয়ামদা মীপায়বা কয়া লৈরি। করম্বা মওংদা ৱারোইশিন পুরক্কদৌরিবনো হায়বসি য়াম্না মরুওইবা ৱাফম অমনি। নীং-খা তম্না লৈরম্বা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পুল্লবা মতুংদা ষ্টেটকী থাক্তা লৈরকখিবা অদু হৌজিক ষ্টেটকী থাক্তগী হেন্না পীকপা মওং অমদা লাকহনবা য়ারোই। জুন ১৮ থোকখিবা অদু মণিপুরগী ঙমখৈগীদমক মীয়াম্না হৌনরুবা তৌদনা থোক্লরক্তুনা ওইখিবা অচৌবা ঈহৌ অমনি। মণিপুরগী শক্তমদা হিরম অমত্তদা শোকপা য়ারোই। ষ্টেটসিগী এম এল এ অমদি এম পিশিংনসু হৌজিক চপ চাবা থৌদাং লৌবীয়ু। মীয়ামগী ইন্টরেষ্টকী ৱাংমদা চৎলোইদবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

## হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট এক্সপো হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট দিভলপমেন্ট কোওপরেসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ২৯ ফাওবা চথগদবা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট এক্সপো ঙসিদগী ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়দা লৈবা ৱাল য়ুনাইটেদ য়ুথ ক্লবতা হৌদোকখ্রে।

এক্সপো হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম ঐচ ঐচ দি সী এলগী চ্যেরমেন এস রাজেননা হায়খি, মণিপুরগী ফজরবা কলচর নিংঙোল চাক্কৌবা য়োকখৎপগা লোয়ননা মবুং-মৌপ্বাশিংনা নিংঙোলশিংদা ঙমজবা খুদোল পীবদা মীরমগী পোৎ খুদোল তম্বগী মহুৎতা লমদম অসিগী ফিরোলনা খুদোল তম্বীয়ু। ৱাখল্লোন অসিগা লোয়ননা এক্সপো অসি শীনবনি। মণিপুরদা লৈরিবা নাগা-কুকি, মৈতৈ, মৈতৈ পাঙল পুম্নমক ইশাগী কলচর, ট্রেদিসন লৈজবা ফুরুপ ঙাক্তনি। ঐখোয়গী ফুরুপশিংগী ফজরবা কলচর আইদেন্টিটি অদুনা লমদম অসিগী ফজরবা মশক ওইরিবনি। নাৎকী ওইবা ফিজোল ময়াম অসি মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংনা শাজবনি। হেন্দলুমগী পোত্থোক পুথোক্লিবা কয়া অসি পূক্লিং থৌগৎসি। পোত্থোকশিং অসি ঐখোয়না শীজিন্নরবদি শেন্থোক লম্বীসু লৈগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট দিভলপমেন্ট কোওপরেসনগী জেনরেল মেনেজর অমদি দিরেক্টোরেট ওফ হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইলগী জেইন্ট দিরেক্টর এলাংবম জিতেননা ফোঙদোকখিবদা, মেলা অসি মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলগী মখাদা লৈবা দিভলপমেন্ট কম্মিস্নার ফোর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্টকী শেন্থুং য়াওনা অমদি মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট দিভলপমেন্ট কোওপরেসনগী শেন্থুংসু য়াওনা পাঙথোকপনি। ফিশা-লোনশাগী থবক তৌরিবশিংগী মার্কেট প্লেস অমা শীনবনি। কুম্মৈ-হরাও খুদিংগী অসিগুম্বা মেলা অসি পাঙথোক্লি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম ঐচ ঐচ দি সী এলগী মেনেজিং দিরেক্টর কে লমলি কামৈনা প্রসিদেন্ট ওইখি। ৱিভর সর্ভিস সেন্টরগী ওফিসর ইন-চার্জ সী রাজা সেকরন অমদি হেন্দিক্রাফ্ট সর্ভিস সেন্টরগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর টি ঐচ রাজেননা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। এক্সপো হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী ফিশা-লোনশাগী লমদা অমদি খুৎ-শা হৈবগী লমদা থবক তৌদুনা পোত্থোক পুথোক্লিবা কয়াসু শরুক য়াখি।

## এম জে এস গ্রেদ থ্রীগী রিটন এগজামিনেসনগীদমক কেন্দিদেট ৮২ খল্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর জুদিসল সর্ভিস গ্রেদ থ্রীগী মমাঙ থাগী ১ দা পাঙথোকখিবা প্রিলিমিনরি এগজামিনেসন, ২০১৯ দগী কেন্দিদেট ৮২ খনগৎখিবগা লোয়ননা লাক্লিবা দিসেম্বর ৭ অমসুং ৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এম জে এস গ্রেদ অসিগী মেন রিটন এগজামিনেসন ২০১৯ দা শরুক য়ানবগীদমক ক্বালিফাইদ ওইরে হায়রি।

মসিগী মতাংদা ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার জেনরেল এ গুনেশ্বর শর্ম্মানা ওফিসল ওইবা নোটিফিকেসন (নম্বর ঐচ সী এম/আর-৬/২০১৯-ইষ্টাব্লিসমেন্ট (২)/২৩৫৮০) থোকখ্রে।

নোটিফিকেসন অসিগী মতুংইন্না মেন রিটন এগজামিনেসন অসিগীদমক ক্বালিফাইদ ওইরবা কেন্দিদেটশিংনা মখোয়গী এদমিট কার্দশিং কোর্ট অসিগী ওফিসল ৱেবসাইটতগী মথং থাগী ১১গী নুমীৎয়ুংবদগী হৌরগা থা অদুগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা দাউনলোদ তৌবা য়াগনি হায়রি। লোয়ননা এগজামগী সেদ্যুল অমসুং সেন্টর এদমিট কার্দ অসিদা খঙহল্লক্কনি হায়রি।

## মাও কৈথেল ঙসি বিজয় গোবিন্দদা ফম্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী মফম কয়াদা মাও কৈথেল ফমদুনা লাকখিবগী মনুং চন্না হয়েং বিজয় গোবিন্দদা ফম্লগনি হায়না মাও-ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগী কো-কনভিনর থাংজম জোসিকান্তনা পাউমীশংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

বিজয় গোবিন্দদা পাউমীশিংগা উনবদা জোসিকান্তনা হায়খি, মাও-ইম্ফাল কৈথেল অসি কুমজা ২০১৫ দগী ফম্বা হৌরকখিবনি। মাওগী মীয়ামগা নাগালেন্দগা উংখৎনরকপদগী কৈথেল ফম্বা য়াদদুনা ইম্ফালরোমদা পুরক্লগা য়োল্লকখিবনি। নাগালেন্দদা লাইরিক তম্বা ফাওবা য়ারক্তবা ফীভম লাকপদগী সিভিল ওর্গনাইজেসন ৮ পুন্দুনা মাও মার্কেট ইম্ফাল কোওর্দিনেটিং কম্মিটি শেমদুনা মাও কৈথেল ফম্বা হৌখি। কুমজা ২০১৯ গী জুলাইদগী মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা ফম্বা হৌরকখি। মফম হোং-হোংদুনা ফম্বা ২১ রক শুরে। মাও মার্কেট শানবা লম য়েংমিন্নখ্রে। ঙসি ফাওবা থবক ওইনা পায়খৎত্রি। হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়দুনা লাক্লবনি। অথুবদা শাবীয়ু হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা সগোলবন্দ য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি অনাওনা হায়খি, সৈদা ক্লবকা পুন্দুনা মাও কৈথেল ফম্নবা হায়বদা হরাও-হরাও য়ারকপা অমদি এম এল এ, আর কে ইমোনসু সপোর্ট পীরকপসি নুংঙাই। মাও কৈথেল নাগালেন্দদা হান্না ফমদুনা পোৎ য়োল্লম্বনি। মফম অদুদা পোৎ য়োলহল্লক্তবতা নত্তনা মচা-মশু ফাওবা লাইরিক তম্বদা অপনবা পীরকপদগী ইম্ফালদা ফম্লকপনি। সগোলবন্দ মীয়াম্নসু মাও কৈথেলদগী পোৎ লৈবীয়ু অমদি পূক্লিং থৌগৎপীয়ু হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

## নীংশিং থৌরম মতম খরা য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): সনামহী লাইনিং হিঙ্গৎ ঈহৌদা মতম অমদা নিংথৌ অমদি ব্রহ্ম সভাগী চৈরাক ফংখ্রবা ইপা-ইপুশিংগী নীংশিং থৌরম থা অসিগী ৩১দা পাঙথোক্কদবা অদু মতম খরা য়ৈথোক্লে হায়না সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো) গী সেক্রেটরি পব্লিসিটি থাংজম ইনাওচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সনামহী লাইনিং হিঙ্গৎ ঈহৌ শাগৎলম্বা মীতৈ মীয়ামগীদমক কথোক্লম্বা অমদি হৌদোক্লম্বা মতম অদুদা নিংথৌ অমদি ব্রহ্ম সভাগী চৈরাক ফংখ্রবা ইপা-ইপুশিংগী মঙারকশুবা নীংশিং থৌরম লম্বোই খোংনাংখোং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লবা তৌরম্বনি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী য়েংদুনা মীয়ামগী ঈহৌ অমদি খোঙজং শৌগৎপা ওইনা মতম খরা য়ৈথোক্লে। সনামহী লাইনিং হিঙ্গৎ ঈহৌদা মতম অমদা নিংথৌ অমদি ব্রহ্ম সভাগী চৈরাক ফংখ্রবা ইপা-ইপুশিংগী নীংশিং থৌরম অসি সিকোনা থা অসিগী ৩১ দা পাঙথোক্লবগীদমক থৌরাং তৌরম্বনি। অদুবু মীয়ামগী ঈহৌ শৌগৎপা ওইনা য়ৈথোকপনি হায়রি।

## নাগা কলচরেল বোদি, সিক্স সেদ্যুল য়াবা ঙস্লোই : কম্মিটি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী পিছ টোক্কী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি অপূনবগী শক্তমদা শোকহনবা য়ারোই। পান নাগা কলচরেল বোদি নৎত্রগা সিক্স সেদ্যুলসু চৎনবা য়াবা ঙস্লোই হায়না খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট শরতনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা শরতনা হায়খি, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা য়াওবা ৱাফমশিং মীয়ামদা খঙহল্লু হায়না কয়ারক দিমান্দ তৌরবসু ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি শোক্লিংঙাই ওইবা করিসু য়াওদে হায়না মণিপুর লৈঙাক অমদি সেন্টরদা পাল্লিবা লৈঙাক্লা হায়দুনা লাকখিবনি। বি জে পি মণিপুরগী ৱাঙাংলোয়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়হল্লোই হায়বদু লেঙদনা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি। সী এম মশামক্লসু নাগাগী ইস্যু ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়হল্লোই হায়বগী থাজবা পীরকই হায়বা ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখি। চপ চাবা রিটন এস্যুরেন্স অমা পীদ্রিবা করিগীনো। মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটিদা অকায়বা পীরক্লবদি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা তেকচাক পুগদবনি। লমদম অসি কায়নবা হোৎনরক্লবদি কম্মিটি অসিনা অতৈ লূপশিংগা পুন্দুনা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শাদুনা লৈরে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

## গঞ্জা থাগনি হায়বা লৈঙাক্কী পোলিসী তোকপীরো : ওর্গনাইজেসন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): লৌফমশিংদা পোত্থোক পুথোক্তুগা গঞ্জা থাগনি হায়বা লৈঙাক্কী পোলিসী তোকপীরো হায়না থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্ট নেগেলেক্টেদ এরিয়া এগ্রিকলচরেল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি তেলেম দারানা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা তেলেম দারানা হায়খি, লৌমীশিংগী রাইট ঙসি ফাওবা ফংদনা লৈরক্লি। রাইট ফংনবা চঙশিল্লিব অসিদা পীবীদ্রবদি উখুল লম্বী থিংবা নত্তনা উপায় লৈতে। ওক্টোবর ২০ দা ভিলেজ কম্মিটিগী অপূনবা মীফম অমা চালৌ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখি। মীফম অসিদা ৱারেপ মঙা লৌখি। লমদম অসিদা ঈকং থোকখ্রে, ঈচাউ কয়াসু থোকখ্রে। ওর্গনাইজেসন অসিদা খুঙ্গং-খুঙ্গংদা লৈরিবা ওথোরিটিশিংদা লৌ কয়া পাল্লি হায়বগী লিষ্ট অমা পীখৎপীয়ু। লৌমীশিং লৌ লোত্ত্রবনিনা চানিংঙাই লৈররোই।

লৌ উনবা হোৎনবদা সঙম অমদা লুপা লিশিং ৫ হেন্না চঙই। ঈকংনা শোকহল্লবশিংদা লৌমীশিংগী চঙখিবা শেনফম পীবীয়ু। লৌ মপুশিংনা হন্দক চহীগী লৌসাল কোকপীয়ু। লম্লাই মায়কৈদা দোলাইথাবী অমদি থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্ট লোইশিল্লকপা মতমদা লম্লাইদা লৌ পরি ১২১৪০ রোমদা ইরিগেসন ফংহনগনি হায়রবসু লৌ লোত্ত্রে। সর্ভেসু তৌখ্রে। লৈঙাক্লা থৌশাদ্রবদি এজিটেসন চঙশিন্নবা তৌরম্বনি। শওম্বুং সব-দিভিজনদা লৈরিবা ওফিসশিং অসি অয়াম্বনা থবক নীংথিনা তৌদে। ওক্টোবর ১৪ দা সেন্ট্রেল টিম লাক্লগা লৌফমশিং চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। দ্রাউট থোক্লে হায়বগী থাজবা পীরম্লে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

## ইন্দিজিনস ব্রদর্স মীট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): হৌখিবা চহীশিংদা পাঙথোকখিবগুম লীগ ওফ ফোর্থ ৱর্ল্ড পিপল কংলৈপাক্লা শীন্দুনা ১৩ রকশুবা ইন্দিজিনস ব্রদর্স মীট থা অসিগী ২৭ তগী ২৮ ফাওবা লময়ানবা শঙলেন পেলেস কম্পাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না লীগ অসিগী কনভিনর হৈক্রুজম ইবোতোম্বীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অসিদা আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, লীগ অসিগী প্রসিদেন্ট মাংপু কারোং কোম, হান্নগী মিনিষ্টর আর ভি মিংথিং, অলেকজেন্দর, ইশাক আইমোল, মঙাংচা কৈশাম অমদি থুম্বু মরামনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ইন্দিজিনস ব্রদর্স মীট অসিদা সেমিনার সেসন মরি লৈগনি। খুন্দামিন্নরিবা কম্যুনিটিশিংগী রিছোর্স পার্সনশিংনা চেরোল পাথোক্কনি। থৌরম অসিগী থীমনা রিলেসন এমোং দি ইথনিক কম্যুনিটিজ ওফ কংলৈপাক হায়বা অসিনি। মীটনা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ব্রদর্স মীটশিংগী চেরোলশিং লাইরিক ওইনা পুথোকখ্রে। ১২ শুবসু ফোঙগনি। থৌরম অসিদা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিং অমদি সী এস ওশিংনা শরুক য়াবীয়ু। ইন্দিজিনস ব্রদর্স মীটকা মরী লৈননা কুমজা ২০১৮ গীসু লাইরিক পুথোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE
➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/5687/24/9-23/10

APOLLO TUTORIAL CENTRE
Admission Open For
XII-Sc CONDENSE REVISION COURSE HSE(COHSEM & CBSE) 2020
SUBJECT : ENGLISH+PHY+CHEM+BIO+MATHS
LAST DATE OF FORM SUBMISSION 12TH NOV. 2019
CLASS STARTS 18TH NOV. 2019
OFFER
♦ HOSTEL PACKAGE (BOYS & GIRLS)
♦ 20 % FEE CONCESSION TO FIRST 20 STUDENTS
FOR DETAILS Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office,(7am to 7pm)
HL-B/5743/15/10-14nov